**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 13-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী দি.জি.পি- মুকেশ সিংহনা হায়রি- এন্তি ইন্সরজেন্সি ওপরেসন পাক শন্না চখৎবা, এন্তি সোসিয়েল অমদি এন্তি নেসনেল ওইবশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চংবগী থবক কনখৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

২) থৌবাল জিলাগী হৈরোক পার্ট টু ময়াই লৈকাইদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি থা অসিগী ১৪ দগী ১৬ ফাওবা স্লোভাক রিপাব্লিক্তা চত্তুনা লৈবাক অনিগী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি।

------

দিজি (এল)ঃ মণিপুরগী দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস মুকেশ সিংহনা হায়রি- এন্তি ইন্সরজেন্সি ওপরেসন পাক শন্না চখৎবা অমদি এন্তি সোসিয়েল, এন্তি নেসনেল ওইবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপগী থবক কনখৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

ৱাফম অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পুলিস হেদক্বাটরদা ঙরাং চত্তুনা জিলা অসিগী হৌজিক লৈরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভম অমদি পুলিসনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা য়েংশিল্লদুনা দি.জি.পি মুকেশনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা জিলা অসিগী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসারশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাখি অমদি লৈরিবা কেসশিং মতম চানা লোইশিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন

তৌবদা কাংলোন চুমা অশেংবা অচুম্বা পুথোকপা ঙমবা অহেনবা মীৎয়েং চংহন্নিংবগী অপান্বসু ফোংদোক্লমখি হায়রি।

অমরোমদা, পুলিসনা মীয়ামগী থবক তৌবদা দিসিপ্লিন, ইন্তিগ্রিতি অমদি প্রোফেসনেলিজম ঙাকা চৎনবসু দি.জি.পি মুকেশনা জিলা অসিগী মকোক থোংবা পুলিস পার্সনেলশিংদা খঙহনখি হায়রি।

সেক্যুরিতি (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী হৈরোক পার্ট টু ময়াই লৈকাইদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে। পুলিসকী পাউনা হায়- খুৎশু খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি-টু পিষ্টোল অমা, এস.বি.বি.এল অনি, তোঙান তোঙানবা নোংমৈগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৭১, তিয়ার স্মোক সেল এস.আর অনি, লুপ অমগী লোগো ষ্টিকর ১২, বুল্লেট প্রুফ প্লেট ১৪ অমদি জেকেট অমা য়াওনা কেমোফ্লেক্কী ফিরোলশিং য়াওরি।

অমরোমদা, মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্পা লৈতনা চখরি। চীং অমদি তমদা পুন্না মফম ১১৬ তা চ্যেক পোইন্টশিং হাংদুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চখরি । নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা মাল পুবা গাড়ি ৬২৭ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙাক শেন্দুনা ইম্ফাল য়ৌহল্লকখ্রে হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইন্না থিংখ্রবা লুপ পি.এল.এগী এক্তিভ কাদরনি হায়বা মীওই অনি খুৎশু খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে হায়রি। পুলিসকী পাউনা হায়- ফারবা মীওই অনি অদু ককচিং জিলাদগীনি। মখোয় অনিদগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, তোঙান তোঙানবা নোংমৈগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৮, তুয়েল্ভ বোর কাত্রিজ অমা, দিতোনেতর মরি, ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ দিভাইসকী রিমোট কন্ত্রোল অনি অমদি পি.এল.এগী বেন্নর অমা ফংখি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তা খুমন ৱার্দ নম্বর আইটতগী হৌজিকা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মন্ত্রিপুখ্রি ফ্রেন্স কোলোনিদা লৈবা মীওই অমা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমগা লোয়ননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

ড্রগ (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী শঙ্গাইয়ুমফম লৈবা মীওই অমদগী হিরোইন পাউদরনি চিংনবা পোৎলম খরা ফারে।

পুলিসকী পাউগী মতুংইন্না জিলা অসিগী থৌবাল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা শঙ্গাইয়ুম্ফম নুঙফৌ মমাং লৈকাইদা লৈবা মশাগী ময়ুমদগী মীওই অদু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখিবনি। মদুদা হিরোইন পাউদর হপচিনখি হায়না চিংনবালিতর ১৭ হেনবগী মহি য়াওবা জার অমা ফাখি। মসিগীসু মথক্তা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩৭,৫০০, হোন্দা এক্তিভা সিক্স-জি অমা অমদি অতোপ্পা হিরোইন পাউদর গ্রাম ১৩ রোমসু ফাখি হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা নোর্থ এ.ও.সিদা অসামগী তিন্সুকিয়াদগী মীওই অমা দব্লিউ.ৱাই. টেব্লেৎ গ্রাম ৪১২ গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ৱাবগাই (এল)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট আর্ট এন্দ কলচর দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন ৱাবগাই তেরা উরকা শিন্দুনা থাং-তাগী মতাংদা নোংমগী ওইবা লেকচর কম দেমোন্সত্রেসন প্রোগ্রাম অমা ঙরাং ককচিং জিলাগী মনুং চনবা ৱাবগাই তেরা উরক হাইস্কুলদা পাঙথোকখ্রে। মফম অদুদা এম.বি. কলা সঙ্গিৎ সঙ্গম বিদ্যালায়া ৱাবগাই তেরা উরকা শিন্দুনা অরাংফমগী মতাংদসু লেকচর কম দেমোন্সত্রেসন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি থা অসিগী ১৪ দগী ১৬ ফাওবা স্লোভাক রিপাব্লিক্তা চত্তুনা লৈবাক অনিগী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। শ্রী মোদিনা লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রি ফিকোগা উন্নগনি অমদি রাষ্ট্রপতি পেলেগ্রিনিগসু উন্নদুনা ৱারী শাগনি হায়রি।

মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা ভারতনা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নদা য়াওরিবা লৈবাকশিংগা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহল্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

ৱার্কসোপ ঃ হেদক্বাটরস ইন্তিগ্রেতেদ দিফেন্স ষ্টাফনা সেন্তর ফোর জোইন্ট ৱার

ফ্যার ষ্টদিজগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপা নুমিৎ নিনিগী ওইবা সেমিনার ঙরাং নিউ দিল্লিদা লোইশিনখ্রে। ঙাকশেলগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং পুথোকবা হোৎনবদা হেন্না খুমাং চাওশিনহন্নবগী ৱাখল্লোনদা সেমিনার অদু পাঙথোকখিবনি। ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী মতুংইন্না সেমিনার অদুদা ষ্টার্টঅপ অমদি এম.এস.এম.ই পুন্না ১৫০ শরুক য়াখি। মসিগীসু মথক্তা দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিগী ষ্টেগ হোল্ডরশিং অমদি শেন্থুং পীথগদবা কম্পনি ১৬ শু শরুক য়াখি।

সম্মিৎ ঃ   মেঘালয় সরকারনা থৌবু ওইদুনা থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬ তা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ইনফ্রাষ্ট্রকচর সম্মিৎ ২০২৬ পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি অৱাং নোংপোক্কী রাজ্য ৮ মক্কা কেন্দ্রগী মন্ত্রালয় ৮ গী মীহুৎশিংগা পুন্না উন্নহনবনি।

কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা শিল্লোংগী মৌকাসিয়াংদা লৈবা লারিতি পার্ফোমিং সেন্তরদা মীফম অসি হৌদোক্কনি। নুমিৎ নিনিগী মীফম অসি ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা মপুং ওইবা মীৎয়েং থম্বা অৱাং নোংপোক ভারতকী খ্বাইদগী চাউবা মীফম অমা ওইগনি হায়না আশা তৌনরি। মীফম অসিদা লৈবাক্কী মফম পুমমক্তগী মীহুৎ ৮০০ হেন্না অমসুং সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল, উদ্যোগকী লুচিংবশিং, ইনভেষ্টরশিং, ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপ্পর ৩০০ লোম শরুক য়ারবা য়াই।

ফিফাঃ  মেক্সিকো-কানাদা অমদি আমেরিকানা যুম্বু ওইদুনা চথরিবা ফিফা  ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১২ মখায়দা কানাদা টোরোন্টো ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী মেটচ অমদা যুম্বু কানাদা অমদি বোসনিয়া এন্দ হার্জেগোভিনা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা অমনা অমবু মায়থিবা পীবা ঙমখিদ্রে। গ্রুপ-দিগী মেটচ অমদা হৌজিক হৌজিক আমেরিকা অমদি পারাগুৱে আমেরিকাগী সোফি ষ্টেদিয়মদা শান্নরি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

চাওখৎপা হায়বসিনা মণিপুরদা তংদু লৈতাহন্নবা অমদি ইন্সরজেন্সি লোইশিন্নবগী খ্বাইদগী ফবা খুৎলায়নি হায়না মুখ্য মন্ত্রি খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল অমদি শঙাই এক্সপ্রেসকী ইদিসন অনিমক্তা চপ মান্ননা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

য়ু.এন.সিনা চীফ মিনিষ্টরদা চার্টর ওফ দিমান্দশিং পীশিনখ্রে, কে.এন.এফ(পি)বু তেরোরিষ্টনি লাউথোকউ, নেমচা কিপগেন লৌথোকউ হায়না য়ু.এন.সিনা থমখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা নাগা ৬ কী মীহাৎকী ৱায়েল পীবীনবা য়ু.এন.সিনা মুখ্য মন্ত্রিদা চার্টর ওফ দিমান্দ পীশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি।

তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন অসি নাগা ৬ ফাজিনদুনা থল্লগা হাৎখিবগী থৌওংবু মৈতৈ অমদি নাগাগী অপুনবা লুপ নেতিভ পিপলস কমিতি মণিপুরনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনি।

মখান রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌরিবা ভিক্তিম ফেমিলিগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে, মীচম ফারগা হোষ্টেজ ওইনা থল্লম্বা মতুং হাৎপা অসি তেরোরিজমগী খ্বাইদগী ৱাংবা থৌওংনি হায়না এম.পি. বিমোলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবা নিতি আয়োগনা অখন্নবা থৌদাং লৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ব্লোকেদ তৌখিবদগী পেট্রোল লিতরদা লুপা ২৩০, এল.পি.সি সিলিন্দরদা লুপা লিশিং ৫ য়ৌরে হায়না গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

আর.ওদগী পেট্রোল অমসুং দিজল পুল্লপ লৈশিনবদা অথিংবা থল্লকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অনিসুবা হেদলাইন ওইনা ফোংবা থেংনরে।